"লৈবাক মচা তাবী নুপীনা করিগুম্বদসু ইতিহাস শেম্মী"
--Laurel Ulrich

# শৈরেং

## ঐগী ইমিং হোংলে

— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

কৌরম্মী ঐগী ইমিং সুরজ
ঙসিদি ঐগী ইমিং হোংলে
থোঙ-থিন্দুনা কৌরকখি
সুরজ সুরজ কনা অমত্তা খুল্লক্তে।
লৈদি লৈখিবনিদা কনা ওইরবনো
করি হায়গদবনো খোঞ্জেল
অমতসু তাবা ফংখিদে,
য়ূমসিবু ওন্নরবা জাৎলা,
নহান মখৈদি হরাও হরাওনা
কনা উনবীগদবনো হায়না
খুল্লক্কদবা অদো তাখিদরে।
য়ূম অদুদা সুরজ কৌবা
অমা লৈরমদ্রে লৈরম্মী অদুবু
সুরজ হায়বা মিং অদুদি ওনখ্রে,
দুর্গা পুজা মতম য়ৌরকপদা
ময়ূম মায়কৈ য়েংলদুনা মায়থোঙ
অদো নিংঙমদা কয়ানা য়োমশিল্লদুনা
লেপ্লিঙৈ সুরজ হায়না কৌবদা
হন্না ফাওবা য়েংলক্তে থবক্লা
লাকহৎলবা সুরজদো ঙসিদি
মমিং ওনখিদুনা য়ূম অদুদা
সুরজ চান্মরক কৌরবসু খুল্লক্লরোই।

## হৈসু হৈতনা

— রাজকুমারী মীনা

নঙনা পুংশুপ শুপ্লগা
ফেরে ফেরে হাইদুনা পাল্লগা
ইশৌ অদুক য়াম্না লাংলিবদুনা
করিগীনো?
ইপা ইপু ফাওবা
চীংথোক চীংথোক্তুনা ঙাঙলিবা,
পীরম্মী পীরমদে, তৌরম্মী তৌরমদে।
চৎন-কাঙলোন, লীক্লম য়ালিল্লিবসে
মখোয়ননে।
নঙনা ঈরাং য়াম্না শাগৎপনা
ইমুং ঈং-তপ্পা ফংগদ্রা?
নঙগী খোঙথাং নঙগী ইঙ্গিৎ
লোইনা খঙই ৱাখল লোইনা তাই।
মথক মখা ওলহন্দুনা
নঙনা তৌরিবা পূম্নমকশিংসে
খরনা খঙদ্রবসু ঐদি লোইনা খঙই।
থম্মোয় মচাগী ৱাফম্নি
নঙনা থম্মোয় মচা ওইবনা
অসুম অসুম পীশিনহল্লে
নুংশিরবা ঐগী মফমসে।
ঐখোয়সু থম্মোয় পাল্লি
অফ-ফত্ত খঙই।
নুংশি-নুংওল, চানীং-থক্লিংবা
ফজবা শেৎনীং-ইন্নিংবা
ঐখোয়সু ফাওই।
অহাও-অহাওবা চাদুনা
নুংঙাইনা হিংনীংবসে
নঙখক্তা নত্তেনে, ঐখোয়সু নঙগুম্বনি।
কয়াম কুইনা লাংখিগদবা ইশৌনো
নঙগী নখূৎনা লৈরাংদা থেংলে
লৈরাংদু কংঙি,
ঈশিংদা কুপ্লে লাইজ কংই,
হৈপাল-লৈপালদা শোক্লবসু
পুমকং হেক কংই।
ফনা য়াম্না কে-মৌদুনা তৌরবসু
নতৌ য়েংলে শীগংনৈ,
নঙগী শক্লোন খুদিংসে
চীনফা পুরে খুদিংমক্লা
নতাৎ তৌদুনা অমুক ঙাওহল্লগনু।
ঐনা মঙলিবা মঙলানসিনা
করিগুম্বা থাজদনা মংফাওনরক্লবদি
লৈথক-লৈখা ওন্দুনা
নঙবু শোয়দনা য়েংনীংলক্লোই।
ইশৌ লাংগনু,
ঈং-তপ্পা লৈহনসি ইমুংসি।
য়ূম্বাল্লোন সুনা য়াওরবা লাইরিকশিং
কুপ্না থিদুনা য়েংঙু,
অদুগা মমুৎ তানা খঙননবা
পাদুনা নৈনৌ।
হৈসু হৈতনা করিগী
মহারানি ওইনীংলিবনো?
ঐগীসু অনৌবা মায়কৈ লৈ।
মথা শাহনগনু, ঈরাং তৌগনু।
ঐগীসু থম্মোয় পাল্লি, মনম খঙই
অদুবু নঙদি,
হৈসু হৈতনা, খঙসু খঙদনা।

## অরোইবা পন্থুং

— খুরাইজম সানতোশি

মরাং মরাং হেলাংথাঙখ্রে
য়েংঙুনে চরাংশিংসে
নোংচুপ মায়কৈ পাংখ্রে
খুমন পুংদা রাজ লিলা শান্নরিবা
কোরৌহনবা মাগী মিনোক্না
মীৎচানখ্রে।
নোংজাবীসু লোৎখ্রে,
শঙ্গু-শঙ্গু পাইরম্বা চেক্লাসু
ময়ূম মায়কৈ পাংখ্রে।
তোর্ব্বানগী সিংনাং লক্তা
পেবেৎনা ঈশৈ শক্লি,
হিদেনগী লাইজদনা তারি
গ্রহগী লৈতেং শৈথারোল।
মরকসিদা,
অরোইবা পন্থুংদা মীৎয়েংগী
বাবু কুন্ধে শান্নরি,
অরোইবা পন্থুংদা ৱাখলগী
শীন্থরি মবুক হাঙলবা পিরাং
অরোইবা পন্থুংদা থম্মোয়গী
লমাইদা ময়েক চেনখিদো।

## পূক্নিংগী ৱা (১২)

— নন্দলাল রোয়

পাঙ্গল শোল্লবী ইমাবু ফাবীরে
নখূৎ চল্লে ননীং তল্লে
ইনুং লেল্লে লাপ্না ইন্থোক্লে
হিংচাবগী থম্মোয়নি দেল্লীগী য়াইতম্বা।
হিন্দুগী লমদমনি শ্রীরাম পোকখি
কৃষ্ণগী শান্নফম ধর্ম্মগী লৈমায়নি
ফংখি গৌতম্না নির্ব্বানগী মঙাল
ভগবত গীতাগী হৌফম্নি হিন্দুস্থান
শল্লাক শারে কংলৈ মীতৈ
দেল্লীগী য়োংনা তল য়েল্লি
য়ূল্লৈমা থম্বালনু হৱাইমান্না য়েংলি
খোয়রাং খোয়শাওনা কপ্লগা খাঙলি।

## য়াইফরে-য়াইফরে

— এল বিমোলচান্দ

মান্নি নীং-খা তমখিবদু শাশিন্নবনি
'দুবু- পুৱারীনদি কৈদৌনুং মীনস্লক্ত্রি,
হোয়দা- খুরক্পী ঈনা অসুক লাই শারদবু
করি অফ-নুংঙাই পুরক্নি হায়গে
ঙসি-ঙসিসু চনৈনবা ইন্দিয়ন ওইরিসিনি।
নুমিৎ তাদে মতিক মতমদুগী বৃটিশর
শীঙচেপ থাবদসু মপা লৈতে হায়দুনি
চাসি মরূ হুন্দোকসি মতোং দুমক্লি
শীন্নরম্বা নীংতম্বা মুৎলমদাই থাউমৈমক্লি
হরাওরুবগী কাথোক্লুবা য়া উমশিনবা ঙমখিব্রা?
কৈগী খুবাম্নুংদগী হিংননবা চোংলকপদা
গুন্ডিরগী খয়াত্তা তাশিনখ্রবা লৈবাক অমগী
নীংতম্বগী মহাও কনানা ফংখি-খল্লু
ফুদিৎতা মাংজোং চোংবশিং, য়োংবু থাজবশিং
য়োংগী তলয়েন্দা কহা-মাং খুজাই তাখিবা নৎত্রা?
নিরগতা হিংনীংবা ফুরুপনিদি হায়হন্নীংদে
ঐগী হায়বা ৱাখল থাদোক্লদি মতম লৈরি
উপাল মরূ-মরা কংদ্রি ঈশিং খিকখিসি
অপূনবতগী পাঙ্গলনা মখোঙ শোমখিসি
মসা-মরেং ফলহনখিসি-কন্না লাওসি
মৈতৈ পোকপীনা য়াইফরে, মৈতৈ লৈবাক্লা য়াইফরে।

## ৱারক্কী তয়াল

— বি মঙাং

উরক-ৱারক্তুদা
কয়াদি
ফজরে
ঙাংশং ঙাংবা
তয়ালশিংদু।
কনাসু খোয়দারুদে
পান্নরুদে
মগুণ
খঙবনিনা।
উফুল তৈরবা
মঞ্জুনরবা
লম্বীগী
চিদায়দা
চবুল চবুল
য়ান্থরিবা উহৈশিংদু
মহৈ মহৈ তান্নরিবা
মমুন ফাবা
ঙমদে
লোইখিবনা
হাল্লি।
ফজবা শক্তমদু
নত্তে।
ফজবা মগুণদুনি
তান্নরিবা।

# ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী



মতম মতমগী ৱাখল

## মাখোনমনি মোংসাবা

ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী থৌরমশিংগী মনুংদা, ঙল্লিঙৈগী মতম অমা মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরম্বসি- অহুমশুবা ট্রান্সমিসনগী নুমিদাংগী থৌরমদা লান্থোকপা মণি-মলাগী চিথি পাউখুম, তবীয়ু নুংঙাইবীয়ু, তাবীনীংবা ঈশৈ, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২দা শান্দোকপা দ্রামা, নহারোলগী খোঞ্জেল, নুমিদাং খুঙ্গং থৌরমগী শুমাং লীলা, অয়ূক অমদি নুমিদাং পুং ৭ মিঃ৩০গী মণিপুরী পাউ, পাউগী শক্তম, মতমগী ৱাফম, অমদি সাহিত্যগী থৌরম অসিনচিংবসি পনবা য়াই। অতৈ মীয়াম্না পামখিবা, ঙাইনখিবা থৌরম য়াম্না লৈরি, খরতমক মতাংসিদা থমজবনি । মণি-মলা হায়বসি থৌরম অমগী মমিংনি। মীয়াম্না ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী থৌরমশিংগা মরি লৈননা চিথি থাদুনা হংলকপা ৱাহংশিং মলানা পারগা মণিনা খুমজবনি। ৱাহৈ ৱাতা নুংশিনা থোৎনা পাউখুম মণিনা খুম্মী ।ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী মণি-মলা মচিন-মৌপ্পানি। য়াম্না চূননা থোনখিবা মমিংনি। রেডিও তাবিরিবশিংনা য়াম্না হংখিবসি, মণি-মলাসি কনানো অশেংবা মিং হায়বীয়ু হায়বা ৱাহংসিনি। মণি-মলানা ইলায় লায়না খুমখি। ঐখোয়গী মিং অকাশবানি ইম্ফালগী মণি-মলা কৌই। তাবীরিবশিংনা খঙনিংলিবদি মণি অমদি মলাগী খোঞ্জোল লান্থোক্তুনা তাহল্লিবা মীওইশিং অদুগী অশেংবা মিং খঙনীংবগীনি। মীয়াম্না পেঞ্জখিবদি তবীরিবশিংনা হংবা ৱাহংদা নুংশিনা, নিংথিজনা খুমলকপা পাউখুম তাজরুদগীনি। ঙসি ফাওবদা খোঞ্জেল লান্থোক্লিবশিংগী অশেংবা মিং লাওথোকপদি লৈখিদ্রি মসিনা অমুক্কা হেন্না লাংতক্নদুনা তানীংবা পোকহল্লি নুংঙাইহল্লি। মণি-মলাগী থৌরমদা, ৱাহং হংনবগীদমক চিথি থারক্কদৌরিবা অসি পোষ্ট কার্দ অমদনি। পোষ্ট কার্দ অমদা নয়া পৈশা ৫ পীখি । খরা লৈরগা নয়া পৈশা ১৫ পীরকখি। নোংমদা চিথি য়াম্না লাকখিবগী পাউ লৈখি। চয়োল অমগী পুনশিল্লগা অদুক য়াম্বা চিথিশিং লোয়নমক নোংমগী মিনিট খরদা লৌখৎতুনা পাবদি ওইথোক্তে। চিথি লৌখৎলকপদি তম্বা ঙমদে, লৌখৎপদা থেংনরুবনা মী মীগী মরাইবক্নি। থৌরম অসিবু 'মণি মলা' হায়না মতম অদুগী ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী থৌ পুরিবশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা থোনখি। মিংথোন অসি পুথোকখিবা অমদি মণিগী খোঞ্জেল ওইনা শাদুনা তাহনখিবসি খুমন্থেম প্রকাশনা অহানবনি।

খুমন্থেম প্রকাশ ঙল্লিঙৈদগী সাহিত্য খোরিরোলবু পামজরকই। কলেজ তল্লিঙৈদগী ইবগী লমদা চঙশিনবা হৌখ্রে। অইবা অমা ওইনা খুৎ থাখিবা খোরিরোলগী পোৎথোক্তি 'চা গ্লাস' অমা হায়না মিংথোনবা ৱারী মচা অসিনা অহানবা ওইখি। ৱারীমচা অসি দি এম কলেজনা শীন্দুনা পাংথোকখিবা মহৈরোইশিংগী লিটরেরি কম্পিটিসন, চৈচৎ কুমশীং ১৯৫৪ দা পাংথোকখিবা চাংদম্নবদা অহানবা মনাসু ফংখি। খুমন্থেম প্রকাশনা গ্রেজুয়েট লোইরবা তুংদা ওজাগী শিনফমদা হান্না চংশিনখি। মতম অদুদা গুৱাহাটিদা নোর্থ ইষ্টকী রেদিও প্রোগ্রাম অতেনবগী ওইনা হাংলকখি । মদুদা চে থারুবদা খল্লকখি। থবক্তি অতৈ নত্তে রেদিওদা শন্দোক্নদবা থৌরমদা ঙাঙগদৌবা লোনগী ফজবা ফজদবা য়েংশিনবনি। গুৱাহাটিদা মণিপুরী প্রোগ্রামগীদমক চান্দম গোপালনা মরুওইবা থৌদাং লৌরমখি। মরক মরক্তা ওল ইন্দিয়া রেডিও গৌহাটিদা ষ্টাফ আর্টিষ্ট ওইনসু শরুক য়াখি। কন্না হোৎনবগা অনৌবা হাংদোক্লবা সরকারগী থৌরাংগা মপা চাদুনা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল ষ্টেসন হাংদোকপা তারকপদা অদুম লেপ্তুনা থবক পুবা হৌরকখি ।

ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকখিবসি চহী হুম্ফুনিথোই চংলক্লি। (১৫ অগষ্ট,১৯৬৩) ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফাল লীংখৎলকখিবগী পুৱারীসু লৈজরি। ইম্ফালদা লাকপদগী বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা, নোংমাইথেম থানিলনচিংবা অখঙ-অহৈশিংগা লোয়ননা অনৌবা থৌরম কয়া শন্দোকপা হৌনবা খন্নরকখি। হান্নদগী সাহিত্য, খোরিরোল অসি থৱায় য়াওনা লাকখিবা ওইবনা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা মথক্তা পনখিবা মণি-মলা চিথি পাউখুম, সাহিত্যগী থৌরম্নচিংবসি খুমন্থেম প্রকাশনা হৌদোক্তুনা হাপখি হায়বগী ৱাফম মশামক্তগী খঙজহৌখি। ঙল্লিঙৈদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী সাহিত্য থৌরমসি মশক নাইবা লমদমসিগী অইবশিংগী শৈরেং-ৱারেং পাথোকপনা হৌরকই। খর থেংথরগা খুমন্থেম প্রকাশনা থা অসিগী ঈশৈ (শোং ওফ দ মন্থ) হায়বা অমা নোংমাইজিং খুদিংগী চৎলিবা থা অদুমা শক্নবা ঈশৈগী অখন্নবা থৌরম অমা হৌদোকখি। মতম অদুগী ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী থৌ পুমিন্নখিবশিংগী মনুংদা মরুওইরিবা চান্দম গোপাল, বি জয়ন্তকুমার অমদি নোংমাইথেম থানিল হায়রিবা মীওইশিং অসি ঈশৈ-নোংমাই, লীলা-দ্রামা অমদি অতৈ আর্টকী লমদা মমুৎ তানা খঙবা ওইবনা হৌদোক্লিবা প্রোগ্রামশিং অদু য়েৎনদনা পুথোকপদা য়ানখি। অহানবা থা অদুগী ঈশৈ পুথোকপদা খুমন্থেম প্রকাশনা ময়েক ইখি। অহানবা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী থা অসিগী ঈশৈ ওইনা " লীরবা লৈকোনগী খুইরবা লৈরাং, তেকখৎলো কুমগী নোংহৌ লাক্লে.." হায়বসি লেংবীরম্মী। অহানবা, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী থা অসিগী ঈশৈ ওইনা শকপীখিবা নোংমাইথেম পাহারিনি হায়না খুমন্থেম প্রকাশ মশানা তাকপীরমখি।

মতম শাংনা খুমন্থেম প্রকাশনা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী থৌ পুরমখি। ইং ১৯৬৯ দা এ আই আর ইম্ফালগী প্রোড্যুশর ওইনা অদুগা ইং ১৯৭৪দা প্রোগ্রাম একজিক্যুটিব ওই। ইং ১৯৮২দা এ এস ডি ওইনা খল্লকখি। অসামগী ডিব্রুগর ষ্টেসন্দা পোষ্টিং তাখি । মথং মথং প্রমোসন কারকপনা ষ্টেসন দাইরেক্টর ওইনা ইং ১৯৮২ অসিদা এ আই আর ইম্ফালদগী থবক্তগী পোথাই । ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালদা লৈরিঙৈদা ঈশৈ কয়া ইদুনা শন্দোকলমখি। মহাক্কী ঈশৈ ময়েক্কী ফজবা অসি তোঙান্না লৈজে । মণিপুরী ফিল্ম অসি কুমশীং ১৯৭২দগী পুথোকপা হৌনরকখি। মণিপুরী ফিল্ম পুথোকপগী খোঙহৌদসু খুমন্থেম প্রকাশ অদুমক য়াওরকই। ইং ১৯৮৪দা মণিপুরগী অহানবা ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দতা এন.এস ফিল্মনা পুথোকপা ওল্লাং থাগী ৱাংমদসু হায়রিবা ফিল্মসিদা শকখিবা ' লৈচিনগী মৈচাক নোংলিক্না খঙবীদে..' হায়বা অরান্বম যমুনানা শকপা অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা মিউজিক দিরেক্সন পীখিবা ঈশৈ অসিদা বেষ্ট লিরিক্স এৱার্দ ফংখি।

ইং ১৯৮৪দা দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট, ইং ২০০০দা রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট, ইং ২০০১দা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইং ২০১০ অতোম্বাপু রিছর্চ সেন্টর ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট মথং মথং ওইখি। আই সি সি আর অদাদ ভাবন নিয়ু দিল্লিগী মেম্বর (ইং ১৯৮২-১৯৯১) সাহিত্য অকাদেমী, নিয়ু দিল্লিগী একজিক্যুটিব মেম্বর (২০০৩-২০০৭) অমসুং মণিপুর লেঙ্গুয়েজ এদভাইজরি বোর্ডকী কনভিন্নর ওইরমখি। মণিপুরগী কলচরেল ট্রুপ পুদুনা ফ্রান্স (১৯৮৫), ইটালি, বুলগেরিয়া, স্যান মারিনো, সাউথ কোরিয়া, ফিলিপিন্স, থাইলেন্দ (১৯৮৬), সোভিয়েট উনিয়ন (১৯৮৭) লন্দন, জর্মণ (১৯৯১) ম্যানমার (বর্ম্মা, ১৯৯৫), লিটররি রাউন্দ টেবল মোস্কো (১৯৯৬) অসিনচিংবশিংদা শরুক য়ারুই। দ কলচরেল ফোরম, মণিপুরগী 'ঋতু' মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী 'সাহিত্য', অতোম্বাপু রিছর্চ সেন্টর ইম্ফালগী 'কংলা' চেফোঙশিংগী এডিটরসু ওইখি ।

ফোঙলবা লাইরিকশিংদি-ইচেগী শম (১৯৬৫), মঙগী ঈশৈ (১৯৮৬, সাহিত্য অকাদেমি এৱার্ড), ঈশৈ পরেং (১৯৯৭), 'ইফেল টৱারগী মখোঙদা কংলৈ থোকপা', ইচে বীনো (২০১২), লালহৌবা অমসুং অতৈ শৈরেংশিং(২০১৭, হন্দোকপা) অমদি ঐহাক্কী পূন্সিদা হায়বা লাইরিক অসি অরোয়বা ওইনা খুদোল তম্বীরমখি। খুমন্থেম প্রকাশ, ৱারী মচা ইবা অমা ওইনা মণিপুরী খোরিরোলদা শীংথানখি। ৱারী মচা ফজবা য়াম্না ইরমখি। মহাক্কী ৱারীশিংদা অপাবশিংনা খন্থরুরগা নোক্লিংহনবা, নুংঙাইবা ফাওহনবা য়াম্না য়াওই। মতৌ মান্দনা ফাগী পুরি। অইবা অমা ওইনা মহাক্লা খুদোল তৌবীরম্বা ইফেল টৱার মখোংদা কংলৈ থোকপা, ৱানোম শরেংনচিংবা অসি য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা তল্লিবা বিএ অমদি এম এ মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী সেলেবসতা হৌজিক তম্নরিবা মতমগী ইচেল তাক্লিবা ৱারীমচানি।

শ্রী খুমন্থেম প্রকাশ সগোলবন্দ মৈনো লৈরক ইম্ফালদা পোকখি। হৌজিক মশাগী চহী ৯৩ শুখ্রে । কুইরে অহলগী শীংদা চন্দুনা পামজরম্বা থৱায় য়াওজখিবা সাহিত্য, জগোয় ঈশৈ অমদি মরুপ মপাংশিংগা উন্নখিদবা। খঙহৌদে ঙরাং ফেব্রুৱারী তাং ১৭ অসিদা লৈখিদবগী পাউ তাখি। চৎলিবা থা অসি ৱাকচীংগী থানি । মহাক্লা হিংলিঙৈদা নুংশিনা হেক হেক শোনজবা ৱাকচীংগী থানি। নুংশিখিবা অদুমক্লা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী থা অসিগী ঈশৈ ওইনা ময়েক ইরগা শকহনবীরমখি- "অনৌবা চহীগী খুদোলদা চিংথহৌরবী ৱাকচীংগী গুল্লাপ..'। ঈশৈ অসি ৱাই. বিলাসিনিনা শকপীখিবনি। ৱাকচীং থানা লাকপদা মহাক্লা নুংশিজখিবা মতম পূম্বদা শোঞ্জখিবা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী খঞ্জখিবা, ৱাকচীং থা অসিবু নীংশিংদুনা ঈশৈ অসিদি লৈহৌরগনি । মণি মলাগী মণিদি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা লৈহৌরি, মণিগী থৱায়দি মতম পূম্বগী চৎখ্রে । ●

ৱারী ককনাউ

# মতম কুইরবগী তুংদা-১৩

ওন্থোক্লা নোক্লিংখ্রবা মতৌ হায়দুনি। থাজমানবীদু থাজদা থাজদু ঙাইরে। মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী গেট ময়াদুদা মচুম তাখৈ কেথরদনা, মনম মহাগদু অচৎ-অওকশিং ফাওবা কদোমদগী মনমনো হায়না হন্না-তুনা য়েং-য়েংদনা চৎনখৈ হেক্তা হৈজিল্লগা পর্ফিয়ুম অতাঙবগদু তপ তাখৈ চাইশিল্লদনা লেপ্পগা লৈ। অমুক-অমুক লিপৎ-লিপৎসু চৎলি। কনানো অমা খোইজংনা ঙাইবদৌনা তৌরি।

কদোমদগীনো খঙদে, তাঞ্জাদুদা মাগী নুপা দা মোহেনগা তিন্নবা মমান্নবা অমা কার অমুবা টিন্টেদ গ্লাসকা লৈখৎপা অমা জি লাওনা থৌরক্লগা মাগী মনাক ওইরপ হায়দি এম এস এফ দি এসকী গেট ময়াদুদা চপ হেক লেপখৈ খাম্মী। অদুগা গ্লাসতু লৈথরক্লগা কৌরকই।

"থাজমানবী নৎত্রো?"

থাজমানবী শ্বাই হেক লাউই। "কনানো কারন অমুক তারক্লিসিনা" হায়ফেৎ খল্লগা য়েংথোক্লুবদা, মমাংঙৈ লৈশারিঙৈদা মঙোন্দা প্রপোজকা তৌরকখিবা মাগী নুপাগা তিন্নবা মমান্নবা মালেমঙানবা ওইরম্মী।

"কৈদৌরম্মীনো?" মালেমঙানবনা মাগী ফজরে হায়না খঞ্জবা নোকফেৎ তৌবা মীনোক্তুগা লোয়ননা হংজিল্লকই। থাজমানবী মাগী মীনোক্তু য়াম হৈনদে। অদুবু মাসু তৌশিন-নোকশিন্নরগা থৈরপ তৌরগা খুম্মী।

"ফিল্ম অমা য়েংগে তৌনি"

"ইহ, য়াম থাজদেয়ে, করি ফিল্মনো?"

"ইকায় খঙদা মায়থাবা" হায়দুনি।

"অশ! তল্লিহে"

"কৈদৌরে?"

"ফিল্ম মমিংদু হৈনদে, হৌজিক্কানগী মণিপুরী ফিল্মগী মমিংসি জাৎ-জাৎ তৌরে। লিটরেচর য়াওনা ফজ-ফজবা থোন্নরম্বদু তোকথোকখ্রে, কৈনোমা তৌখ্রে, তাবদা শ্বাই-শ্বাই লাউবা ফিল্ম মমিং য়াম থোন্নরক্লে"

"মতমগী চৎনবীনিদা"

"হোয় অদুবুদি, অদো ঐখোয় মরুপতি য়াওদ্রো, মাদি কদোম চৎখ্রে?

"মা লাক্কনি, ঐ হান্না লাক্লম্লবা?"

"কৈনো লাকমিন্নদ্রো হায়রিসিবো?"

"লাকমিন্নে, ঐনা থবক অমা থাখি সিদৈদা..."

"টিকেট কক্লবো?"

"ককএ, তু... য়েংঙো" টিকেট অনী উৎলি থাজমানবীনা।

"ককত্রদি কক্লমগে তৌবনিদা"

"নঙগী থায়নগী ৱারীদু নঙগী মরুপ্তুদা হৌদোক্কে, নঙসু য়েংখ্রসিদনা"

মালেমঙানবদু শ্বাই হেক লাউই, মমায় থোক হঞ্জিল্লগা,

"য়ারে-য়ারে, অঙাং ওইরিঙৈ ৱাদুবু... হায়বীরুনুকো" ঐ চৎলগে হায়রগা মিংশেলদু লৈথরগা গাড়ীদু থৌখি। থাজমানবীদু ৱাই হেক শংহৌই। অদুবু মশাদা লৈতাদবা অমদি ফাওরি, মানা ঙাইরিদুবু লাক্কদৌরিব্রা লাক্লোইদৌরিব্রা, অকেমন হঞ্জিল্লোইদ্রা হায়না। মাসু ঙসিসি মৌ ওইরবা মতুংগী অহানবা দেটনি। মাগী মরুম্বীগী নুপাগা অহানবা দেট তৌদৌরিনি। থাজমানবী অদোমদা য়াম্না পাম্বা, ঙাওবা অমদি নত্তে। মাগী নুপাগী মথক্তা লমন খুমগে খনবগীনি। নঙনা ঙল্লগা ঐদি করিগী ঙল্লোই হায়বা, নুপী ওইবীগী থৌনাদু চাংয়েং তৌদুনা থৌরিব্রা-থৌদবরা য়েংথোক্কদৌরিবনি। অসুম খল্লগা লাকতৌ মান্দ্রে, মদুগী য়ু ঙাওবদু হায়না খল্লগা মমায় লৈশিল্লগা গেট মনুংদা হায়রপ চঙগেনা মমায় লৈথোরকপদা ঈ-রিক্সো অমা তোংলদুনা ইবোতোম্বদু লাকই।

"য়ারে সিদা খান্বীরো, সি নৎত্রো এম এস এফ দি এস হায়দো?"

"মানি-মানি" দ্রাইভরদুনা খুম্মী। ৱাদু মমায় লৈশিনখ্রিবা থাজমানবীনা তাই, মমায় শৎ লৈথোরকপদা ইবোতোম্বীদু হিরো অমগুম্না ঈ-রিক্সাদগী কুমথরগা অতোংমল পীনবা মানা শেৎলিবা খোঙ্গ্রাওদুগী নিংজোল ময়াদা পাল্লিবা বেক পোকেটতুগী কুদামদু হাংদোক্লুবা হোৎনরি। থাজমানবী লুতোন শাৎখৈ হরাওবা মাল্লি, থুরেখৈ চঙশিল্লক্লগা, য়ানি ঐ পীখ্রগে হায়রগা মাগী হেন্দ বেগতুদগী লুপা চামঙা চৎপী নোট অমা শৎ লাউনা শৎলগা ঈ-রিক্সা দ্রাইভরদুদা পীশিল্লি।

"অচোইবা য়াওবীদ্রবরা?"

"য়াওরি য়ানি কয়ানো?"

"লুপা চাম্মদং পীবিরো?"

থাজমানবীনা চামঙাদু শৎ হঞ্জিল্লগা বেগতগী চাম্মা চৎপী পেদ্রেক-পেদ্রেক লাউবা অমা শৎলগা পী।

"সি লৌবীরো?"

"ফনি" রিক্সা দ্রাইভরদু নোকফেৎ তৌরগা মাগী ঈ-রিক্সাদুদা কাখৎলগা মখোল থোক্তনা তূমিন থৌখি।

"য়াম পোজ তাইকো?" থাজমানবীনা ইবোতোম্বীদা ওনশিল্লগা নাশোন্ননা হায়খি। থাগৎলকপদুদা ইবোতোম্বীদু কুইনা নোক্লুদ্রবা মাগী চিনবানদুনা রোমান্তিক স্মাইল অমা তৌখি।

"চঙলসিরা?"

"য়াই"

মখোয় অনী চঙমিন্নরক্লে। উৎকদৌরিবা ফিল্মদু রিলিজিং ফঙ্কশননি। হিরো-হিরোইন, ফিল্ম য়াওবশিং লাক্কদবা ওইবনা চঙফমদু রেদ কার্পেট থাদুনা লৈরম্মী। রেদ কার্পেটতুদা হনুবা-হনুবী চহী য়াইমরপ ওইনা লৈশিল্লবী অনীদুনা নোমহৌ-নোমহৌ লাকপদুদা অরাকপশিং ইন্টরভিয়ু লৌনবা লৈরম্বা কেমেরা পায়বশিং চঙশিন্নরকখি।

"ফিল্ম য়েংবীগদৌরিব্রা?"

"ঔ য়েংগে হায়না লাকপনি"

"ফিল্মসিবু নুংঙাইনি হায়না খনবীবরা?"

"নুংঙাইদৌ মাল্লি" থাজমানবীনা লোইনা খুম্মীনি।

"মিংগা লৈফমগা অমুক্তা হায়বীরম্মু" ৱাহংদু লাকপদুদদি কেমেরা নম্মীনি হায়সি খঙলক্লে।

"ঙাইখো-ঙাইখো, নোইগীসি রেকোর্দিং ওইরমাল্লে। অমুক্তা থুনা ককথৎলু হায়রকপদা, কেমেরা পায়রিবদু অঙকপা ওইখ্রে। মদু চেনেল অমত্তদা থাদোরকপা য়ারোইকো। নৎত্রবদি ফরক তাননি" হায়রগা থুনা হোল মনুংদা চঙমিন্নখি।

ৱাহং হংলিবসু, কেমেরা পায়রিবসু ইঙক-ঙক্লা য়েংলগা লৈহৌই। ●

- নরেন্দ্র নিঙোম্বা

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৪২৫)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

পুঙশেম পুঙলিঙ লম। তাললোই নুপী লৈমা। খমবা য়ুমলেমপম নিংঙোল ওইবীনা। চরৈ ফিবুন লুদা থোং। ফকলোং নাকল য়েপনা পুনা। মথংলেল ঙানপাশিরাই কংচা মিংকৌবা। পুঙলেল নোংচু য়াইদি। কদাইদা লৈবনো। পুঙথি লমনে। ককচেং লুচাওবী মচানা। মালেম লৈবাক লুদা থোংনা পু। থৌদাং পাংনা লৈহোলববু পুখঙলম। কেকে হাওতেলবা মিংকৌবনা। খুলদা পুঙকোই লম। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯴꯲꯵)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯄꯨꯡꯁꯦꯝ ꯄꯨꯡꯂꯤꯡ ꯂꯝ꯫ ꯇꯥꯂꯂꯣꯏ ꯅꯨꯄꯤ ꯂꯩꯃꯥ꯫ ꯈꯝꯕꯥ ꯌꯨꯝꯂꯦꯝꯄꯝ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜ ꯑꯣꯏꯕꯤꯅꯥ꯫ ꯆꯔꯩ ꯐꯤꯕꯨꯟ ꯂꯨꯗꯥ ꯊꯣꯡ꯫ ꯐꯛꯂꯣꯡ ꯅꯥꯀꯜ ꯌꯦꯞꯅꯥ ꯄꯨꯅꯥ꯫ ꯃꯊꯪꯂꯦꯜ ꯉꯥꯟꯄꯥꯁꯤꯔꯥꯏ ꯀꯪꯆꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ꯫ ꯄꯨꯡꯂꯦꯜ ꯅꯣꯡꯆꯨ ꯌꯥꯏꯗꯤ꯫ ꯀꯗꯥꯏꯗꯥ ꯂꯩꯕꯅꯣ꯫ ꯄꯨꯡꯊꯤ ꯂꯃꯅꯦ꯫ ꯀꯛꯆꯦꯡ ꯂꯨꯆꯥꯎꯕꯤ ꯃꯆꯥꯅꯥ꯫ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯂꯨꯗꯥ ꯊꯣꯡꯅꯥ ꯄꯨ꯫ ꯊꯧꯗꯥꯡ ꯄꯥꯡꯅꯥ ꯂꯩꯍꯣꯜꯂꯕꯕꯨ ꯄꯨꯈꯪꯂꯝ꯫ ꯀꯦꯀꯦ ꯍꯥꯎꯇꯦꯂꯕꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯅꯥ꯫ ꯈꯨꯂꯗꯥ ꯄꯨꯡꯀꯣꯏ ꯂꯝ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।

